**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-07.2024)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা য়ুমলোন্নবা লৈবাক্তগী আইন কায়না চংশিল্লক্লিবশিং থিংননবা অমদি মনিপুরদা আই.এল.পি. নীংথিনা মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা মথৌ তৌরিবা মকোক থোংবা ওফিসারদগী হৌরগা কর্ম্মচারি খুদিংমকা পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শ্রী বিরেননা হায়-ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদগী য়ুমলোন্নবা লৈবাক অসিদগী আইননা য়াদবা মওংদা রিফ্যুজি কয়া রাজ্য অসিদা চংশিল্লক্লি। মসিগী মথক্তা ভারত্তা মিজোরামগী খা থংবা ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদগীসু রিফ্যুজিশিং লাক্লি। অসিগুম্বা মীতোপশিং অসি খন্দোকবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিবা ৱাৎলকপগী মমি তারক্লিবা অমদি থবক তৌবদা পুকচেল শেংলক্তবগী থৌওং অসি পুমমক্কী ওইনা লাইবক থিবনি।

শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিগী মীয়ামনা ইং ১৯৮০ দগী হৌনা মনিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা দাবী তৌদুনা লাকখি। মদু কেন্দ্রদা বি.জে.পিনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সংসদতা পুথোক্কুনা আই.এল.পি. অসি রাজ্য অসিদা চৎনহনখি। মসি চৎনবগী মপুং ওইবা মরম অসি লমদম অসিগী পুৱারী অমদি য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবা বি.জে.পিগী কেন্দ্র সরকারনা পীরকখিবনি। অদুবু,

ঙসি মনিপুরদা আই.এল.পি. চৎনহনবগী থবক্তা সরকারগী ওফিসারশিং অমদি কর্ম্মচারিশিংনা পুকচেল শেংদবগী থৌওংশিং থেংনরে।

শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদা আইননা য়াদবা মওংদা শাশিন্নবা আহ.এল.পি. কার্ডশিং পায়রে হায়বগী পাউ তাবদগী রাজ্যগী হোম দিপার্টমেন টকী আই.এল.পি. সেলনা নমদুলোং, কাখুলোং, থঙ্গাল বজার, বাবুপারা দি.সি. বঙ্গলো ওফিস গেট মনাক্তা লৈবা কম্প্যুটর সেন্টর অমদি মোবাইল শেন্ফমশিং অমদি রিমস রোর্ডতা লৈবা সেচিল লেবোরেটোরিদা থিবা হুন্বগী থবক ঙরাংদগী হৌনা চথুখি। মদুদা আইননা য়াদবা মওংদা শারম্বা আই.এল.পি. কার্ডশিং, অধার কার্ডশিং অমদি সরকারগী লোইশঙগী তোঙান তোঙানবা সহি অমসুং সিল য়াওবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে। মসিগা মরী লৈননা এফ.আই.আর. লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌরে।

মহাকা হায়-হৌজিক ফাওবগী ওইনা অসিগুম্বা আইননা য়াদবা থৌওং অসিদা চেন্নবা লেবর দিপার্টমেন্টকী এল.দি.সি. অমা য়াওনা মীওই ৯ পুলিসনা ফারে। অহানবগী ওইনা পুলিসনা থিজিন হুমজিনবদা হায়রিবা দুকানশিং অসিনা আইননা য়াদবা মওংদা আই.এল.পি. পাস লিশিং ৩.৫০০ রোম শাখ্রে হায়বা খঙবা ঙমলে। অসিগুম্বা আইননা য়াদবা মওংদা আই.এল.পি. পাসশিং শাবগী থবক তৌরম্বা দুকান মঙা অসিনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী জিলাশিং অমসুং লেবর দিপার্টমেন্টতা লৈবা ওফিসারশিং অমদি কর্ম্মচারিশিংনা অহেনবা শেনফম খরগীদমক দুকানশিং অসিগা মান্নদুনা থবক অসি চথুবনি হায়বগী চিংনবা লৈরি। মরম অদুনা, আই.এল.পিগী পোরটেলদা কর্ম্মচারিশিংনা মতৌ করমা অসিগুম্বা আই.এল.পি. পাসশিং অসি পীরম্বনো হায়বদু এদিসনেল এস.পি. অমনা লুচিংবা এস.আই.টি. অমনা চথুরি অমদি মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীগনি হায়রি।

**মাষ্টেক (এল)ঃ** নেসনেল স্পেচ ডে সেলেব্রেসন, ২০২৪ মণিপুরদসু ঙসি

পাঙথোক্লি। মসি মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সি (মাষ্টেক) ইম্ফালনা নোর্থ ইষ্ট স্পেচ এপ্লিকেসন সেন্তর শিল্লোং অমসুং নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি (নৈলিট) না পুন্না শিনবনি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কো-ওর্দিনেটিং কমিতি ওন স্তোপ দাইরিয়া ২০২৪ ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৬ তগী হৌখিবা কেম্পেইন অসি মথং থাগী ৩১ ফাওবা চগ্থগনি। কেম্পেইন অসিদা শরুক য়ারদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা জিল অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলিনা কেম্পেইন অসিগী দাটা এনালাইসিষ্ট নিংথিনা অমদি মপুং ফানা তৌননবা মরী লৈনবা মেম্বরশিংদা তকশিনখি। কেম্পেইন অদুগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী মেদিকেল ওফিসারশিং, আশা ৱার্কর অমদি অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংনা চহি ৫ ফাওবগী অঙাংশিংদা জিঙ্ক টেব্লেট অমসুং ও.আর.এসশিং য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা য়েন্থোকখি। অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অমদি স্কুলশিংদসু খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা, জিঙ্ক টেব্লেট অমসুং ও.আর.এস. করমা শিজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা খঙহন্নবা পাউতাক পীখি।

**দিএময়ু(এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা ঙসি রাজ্যপাল-অনুসুইয়া উইকেগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী তোঙান তোঙানবা ফমশিংগী রিজল্ট লাউথোরকপদা রাজ্যপালবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মহৈরোইশিংগীদমক য়েংদুনা রজ্যপালনা মতম চানা থবক লৌখৎপীদুনা মহৈরোইশিং অমদি য়ুনিভরসিতি অসিগী য়াইফ থৌরাং লৌখৎলকপা অসিদা অপেনবসু ফোংদোকখি।

রাজ্যপালনসু মহৈরোইশিংদা হায়-য়ুনিভরসিতি অমদি মহৈরোইশিংগীদমক

তৌবা য়াবা থবক পুমমক তৌদুনা অফবা য়ুনিভরসিতিশিংগী মনুংদা চন্ননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক ইরাং লৈজরবসু ঐখোয়না হৌজিক ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবক্তি লমদম অসিগী ইমুং খুদিংমক শেম্থোক লৈহন্নবা হোৎনবা অমদি চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদনবা হোৎনবনি। মপানদগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈশিং খক্তদা ঙায়দুনা লৈরবদি ঐখোয় চাউখৎপা ঙমলোই। লমদম অসিগী ওন্টরপেনিয়ার কয়ানা কন্না হোৎনবদগী লমদম অসিদা মীওই কয়া থবক পীবদা নত্তনা পোৎথোক কয়া অমসু পুথোকপা ঙমলে।

ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা রাজ্যগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগনা শিনবা স্কিল্লিং এন্দ লাইভলিহুদ প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-মশানা মশাবু থবক পীজবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা স্কিল এন্দ লাইফলিহুদ প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপনি। লমদম অসিদা ঙা য়োক্লিবশিংনা মরাং কায়না ঙা পুথোরকপদগী মপানদগী ঙা পুশিল্লকপগী চাং হন্থরে।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা সরকারনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মসিগীসু মথক্তা ভোলুন্টিয়ার কয়ানসু অচৌবা থৌদাং লৌরি অদুবু, ইরাং অসি অরাইবদি নত্তে। মসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মতম খরদি চংখিগনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হনজিন্নবা সরকারনা হীরম খুদিংমক্তা অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং অমদি বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ.সরদানচিংবা শরুক য়াখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** মনিপুরদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা অখন্নবা

রেলগাড়ি অমা ঙসি খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংখ্রে।

রেলগাড়ি অসি ঙসি অয়ুক অঙনবদা জিরিবামদা থুংলবা মতুংদা খোংশাংদা থুংলখিবনি। দাবা ৭ য়াওবা রেলগাড়ি অসিদা হৱায়,আলু অমদি তিলহৌনচিংবা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়াওরি।

**উ (এল)ঃ** বন মহোতসবকা মরী লৈননা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা ঙসি দিভিজন অসিগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা কমপ্লেক্সতা উ চারাশিং য়েন্থোকখ্রে। থা অসিগী ১৫ দগী চথুরকপা বন মহোতসবকী থৌরম ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা উ চারা লিশিং ১০ য়েন্থোকখ্রে। দি.এফ.ও. শ্রী গনেশ এন-না লুচিংদুনা পাঙথোখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোইশিং অমসুং লমদম অদুগী মীয়ামা শরুক য়াখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা মৈ ফংদবনা মরম ওইদুনা ওপরেসন ঠিয়েটর, দাইলাইষ্টিস, টেলি আই.সি.য়ু. রুম য়াওনা মৈগী দরকার ওইবা অতৈ য়ুনিটশিং থিংজিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি হৌখিবা নুমিৎ নিনিদগী মৈ ফংদনা লাক্লি হায়রি। হোস্পিতাল অসিগী জেনেরেটরসু য়াখিদবদগী অনা লায়েংগী থবক্তা চাউনা অকায়বা থোক্লে। মসিগী মতাংদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা হায়- জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী মতেংগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মৈ ফংহন্নবা হোৎনরি।

**লম্বী (এল)ঃ** মনিপুর অমসুং নাগালেন্দগী লোন্নবদা লৈরিবা উখ্রুল জিলাগী ৱাহোং অমসুং সোরাফুং খুল শমরিবা নেসনেল হায়ৱে ২০২ গী কিলোমিটর ১৫ শাংবা লম্বী অথুবা মতমদা শেম্বা লোয়শিনবীনবা মরা লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

জিলা অসিগী আর.কে. এল. কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা খুল অনি অসিগী ভিলেজ ওথোরিতিনা হায়-লন্বী অসি ২০১৯ দগী শেন্বা হৌরকখিবনি। অদুমওইনমক, চহি মরি হেল্লক্লবা অসি ফাওবদা লন্বী অসি চাদা ৩০ গী চাংদমক শেন্নি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি নক্সা মুক্তা অভিয়ান (দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া কেম্পেইন) হৌদোকখ্রে।

ষ্ট্রিট কোন্নর কেম্পেইন অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লৌরেম্বম বিক্রমনা বিষ্ণুপুরগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতগী হৌদোকখিবনি।

**ক্রোস (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর ব্রান্সনা শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা তাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী পুকিং ৱাখল ফানা লৈনবা অমদি পুকিং ফাথনা লৈনবা অমসুং লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, ক্বাক্তা সনথোং কম্যুনিতি হোলদসু হীরম অসিগী মতাংদা থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা লেমা লায়েংবগা লোয়নননা হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকেখি।

**অকাশবানি (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী নহারোলগী খোলজেল থৌরমদা কম্পিয়ার ওইনবগী লৌখিবা ওদিসনগী ফল লাউথোক্লে। খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী রোল নম্বা অমদি মমিং অকাশবানি ইম্ফালগী ফেজ বুক ফেজতা চংলগা য়েংবা য়াগনি। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ২২ দগী ২৫ ফাওবদা অকাশবানি ইম্ফালগী নহারোলগী খোঞ্জেল সেক্সনদা রিপোর্ট তৌরনবা অকাশবানি

ইম্ফালগী প্রোগ্রাম ইগজ্কিটিব এম. নিশাকান্তানা হায়রি।

**মনকিবাটঃ** চৎলিবা থা অসি লোয়রকপদা শন্দোক্কদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মন কি বাট থৌরমগী মচাক কয়ামরুম পীখৎলকপদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। থৌরম অসি থা অসিগী ২৮ দা শন্দোক্কনি।

**সংসদ** ঃ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নোংজ্ মীফমদা সরকারনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট লো এমেন্দ তৌবা য়াওনা অনৌবা বিল ৬ পুথোক্কনি । ফাইনান্স বিল খক্তা নত্তনা সরকারনা এয়ারক্রাফট এক্ট ১৯৩৪ গী মহুৎ শিন্নবা ভারতিয়া বাইয়ুয়ান বিধেয়ক ২০২৪ সু পুথোক্কনি। মসিনা এভিএসন সেক্তরদা লল্লোন ঈতিক তৌবা হেন্না কোমহল্লগনি। বিলশিংগী লিষ্ট অদু লোক সভা সেক্রেটরিয়েটনা ঙরাং পার্লিয়ামেন্ট বুল্লেটিনদা ফোংলকপনি। ওগষ্ট ১২ ফাওবা চথুগদবা মীফম অসিদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না কেন্দ্রগী বজেৎ থা অসিগী ২৩ দা পুথোক্কনি।

**ওর্দিনান্স** ঃ নাগালেন্দগী রাজ্যপালনা নাগালেন্দ ম্যুনিসিপাল এক্টতা এন্তি দিফেক্সন লো য়াওবা ওর্দিনান্স অমা থোকখ্রে। দ দিসক্বালিফিকেসন ওন গ্রাউন্দ ওফ দিফেক্সন ইন অরবান লোকেল বোদিজ ওর্দিনান্স, ২০২৪ (নম্বর টু ওফ ২০২৪) অদু থা অসিগী ১৫ দা রাজ্যপালনা অয়াবা পীখিবনি। আরবান লোকেল বোদিশিংদা রাজনীতিগী তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা অমসুং অপুনবা শক্তম ঙাকবগী পান্দমদা অরবান লোকেল বোদিশিংগী মেম্বরশিংনা দিফেক্সন তৌবদা দিসক্বালিফিকেসন তৌবগী চয়েৎনবা লৈরম্বা অদু কোকহল্লগনি।

ওর্দিনান্স অসিনা হায়-রাজনীতি দল অমদা য়াওবা অরবান লোকেল বোদি অমগী মেম্বর অমনা মশানা য়ানা দলগী মেম্বরসিপ ওইবদগী তোক্লবা নত্রগা মাংজোননা অয়াবা লৌদনা দলগী পাউতাক্কী মায়োক্তা ভোৎ পীরবদি মেম্বর অদু

দিসক্কালিফাই তৌগনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি রাজনীতি দল অদুনা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা ঙাকপীদ্রবদি মেম্বর অদু দিসক্কালিফাই তৌগনি। অদুমওইনমক, দল অমনা দল অমদা মর্জ তৌদুনা পুনশিনবগী মতাংদদি দিসক্কালিফিকেসনগী ৱাফম অসি কোকপীনবগী থৌরাংসু ওর্দিনান্স অসিদা য়াওরি।

মরক অসিদা, ১৪ শুবা নাগালেন্দ বিধান সভাগী ৫ শুবা মীফম মথং থাগী ২৭ তা পাঙথোকবা কৌখ্রে।

**বঙ্গলাদেশ** ঃ বঙ্গলাদেশতা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মেঘালয় সরকারনা ৱেষ্ট জয়েন্তিয়া হিলস জিলাগী এদ্দিসনেল এস.পিবু ঙমখৈ পরিংদা রাজ্য অদুগী মীওইশিং মতেং পাংনবা নোদেল ওফিসার ওইনা হাপখ্রে। লেন্দ পোর্ট ওথোরিতি, দোক্কীগী একজিক্যুতিভ ওফিসারনা এসিষ্টেন্ট নোদেল ওফিসার ওইগনি। বঙ্গলাদেশতা সরকারগী থবক চংবদা খাক্লিবা কোতাগী চাং শেমদোকবা দাবীদা হিংশা য়াওরকপদগী য়ুনিভর্সিতিশিং থিংজিনখিদুনা ঙরাং ফাওবদা মেঘালয়গী মহৈরোইশিং য়াওনা মী ৬৭ রাজ্য অদুদা হল্লকখ্রে। থাজবা য়াবা পাউ খরগী মতুংইন্না বঙ্গলাদেশতা মহৈ তম্বা মণিপুর মচা কয়াসু থোকরকপা হৌরে হায়রি।

বঙ্গলাদেশতা হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টেম অদুগী মতুংইন্না ১৯৭১ গী বঙ্গলাদেশকী নিংতম লানদা য়াওখিবা ৱার ভেটরানশিংগী মচা মশুগী চাদা ৩০, এদমিনিষ্ট্রেতিভ দিষ্ট্রিক্টশিংগী চাদা ১০, নুপীগী চাদা ১০, মীশিং য়ামজদবা অপিকপা কাংলুপশিংগী চাদা ৫ অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগীদমক চাদা ১ ফম খাক্তুনা থল্লি। বঙ্গলাদেশ হাই কোর্টনা ফ্রিদম ফাইতরশিং অমসুং মখোয়গী মচা মশুশিংগীদমক সরকারগী থবক চংবদা খাকপা ফমশিং চাদা ৩০ দগী হেন্দনবা খঙহনখিবা অদু মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা য়ানিংদবগী খোঙজং চংশিল্লকপদগী ইং কুমজা ২০১৮ দা ককথৎখিবনি।

**মনশুখ ঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা ঙসি ন্যু দিল্লিদা খেল্লো ইন্দিয়ান রাইজিং টেলেন্ট আইদেন্টিফিকেসন (কিরতি) অনিশুবা ফেজ হৌদোকখ্রে। থৌরাং অসি প্লেটফোর্ম অমখক্তদা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তগী হৌনা শান্নবগী মতিং লৈবা অঙাংশিং খঙদোকবা লৌখৎপা অখন্নবা থৌরাংনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-কিরতি প্রোজেক্ট অসিনা লৈবাক অসিগী সহরশিং, খুঙ্গংশিং, ত্রাইবেলশিং অমদি হিমালয়ন রিজনশিংদগী মতিং লৈবা শান্নরোইশিং পুথোকবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা মতিং লৈবা শান্নরোই লাখ অমা পুথোকবা পান্দম থমলি।

**ফুটবোল** ঃ দি.এস. ককচিংদা চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.ৱাই. ডব্লিয়ু.এ.সি. ৱাবগাই কাদাজিৎনা পি.এফ.সি. তোকপা চিংবু পাঞ্জল ৫-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.পি.এস.সি. ককচিংনা টি.য়ু.সি. থোংজাউবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল** ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনবা ১৮ শুবা দি.এস.এ. ত্রোফি ষ্টেট লেবেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৪ মথং থাগী ১৮ দগী ককচিংগী দি.এস.এ. গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

মসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা মথং থাগী ১২ ফাওবদা ফোর্ম থাজিল্লকপা য়াগনি হায়না দি.এস.এ. ককচিংনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** ফিফাগী ঙরাং থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিংদা ভারতকী ফুটবোল

টিমনা হান্না লৈবা মফম ১২৪ শুবদা লেংদনা লৈরি। এসিয়াগী ওইনা ভারতনা ২২ শুবা মফমদা লৈরি।